# এয়রপোর্ট ঈশিং থুমহন্দনবা ...

*লামায় ১গী মখা...* মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা এয়রপোর্ট ওথোরিটিগা লোয়ননা শেমগৎ শাগৎপগী থবক অসি হৌরকখিবনি। মরমদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা মণিপুরগীদি এয়রপোর্ট অসি অমখত্তনি। থাদোক্লিবা ঈশিং অসিসু ৰাইশেল মরীলদা তাহনবনি। ৰাইশেল মরীলদগী নম্বুল তুরেলদা অমুক তাহন্নবগী লম্বী শেম্বনি। কিলোমিটর ২৮ লোম শাংগদবা ঈচেল ওইরিবা ৰাইশেল মরীল অসিসু এক্সকাভেসন তৌনবা থবক হৌরে। অদুবু থবক অসিদা ৰাইশেল মরীলগী ঈশিং কংহন্দবা চঙলি। মরম অসিনা ইমজেন্সি ওইনা এল এল আইগী ওভর ফ্লো/আউটপুট ওইরিবা নম্বুল রিভরদা তাহন্নবগীদমক শেংদোক্লে হায়খি।

এয়রপোর্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা কেম্পস অনী লৈরি। কেম্পস টুগী শরুক্তনা এক্সকাভেসনগী থবক অনী চথরি। কেম্পস টুদগী চেনেলাইজ অনী শেন্নগা ঈশিং থাদোকপনি। থবক থেংথরিবা অসিগী মরমনা অয়ূক পুং ৯দগী নুংথিলগী পুং ৫ ফাওবদি ফ্লাইটশিংগী সেদ্যুল লৈবনা থবক শুবা য়াদবদগীনি হায়খি।

ঙসি য়েংশিল্লিবা অসিনা মরিরক শুবনি হায়রদুনা এয়রপোর্টকী রন ৱেগী ৱাটর লেভেল অসি ফুট ৩ হন্থরক্লগনি অদুনা এয়রপোর্ট অসি কংলবদি রনৱেগী মপাঙ্গলসু হেন্না কনখৎলগনি হায়খি।

ৱাটর রিসোর্সেস মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা ফোঙদোকখিবদা নোং চুবদা এয়রপোর্ট ঈশিং থুম্লক্লে হায়বদগী ঈশিং চেলহন্নবা থবকশিং লৌখৎলকপনি। ৱাটর রিসোর্সেসকী মায়কৈদগীদি লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপা লোইরে। এয়রপোর্ট ঈশিং থুমহন্দবসি ঐখোয়গী পান্দমনি হায়রদুনা ফ্লাইট পাইথোক পাইশিন তৌবদা অপনবা লৈতনবনি হায়খি। নোং চুবদগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদসু ফ্লাইট তাবা য়াদ্রে হায়বগী পাউ পীরকপদগী থবকশিং অসি লৌখৎলকপনি হায়খি।

ৰাইশেল মরীলদা ঈশিং থাদদুনা হোৎনবনি অদুবু ঙা ফাবা খোৎপা খরা লৈবদগী থিংজিন্দুনা লৈরম্বদুসু লোইনা লৌথোকহল্লে। ৰাইশেল মরীলগী ওইনসু হান্নদগীদি প্রোব্লেমদি লৈ অদুবু শেংদোকপা য়াবশিং শেংদোক্লে হায়রদুনা ৰাইশেল মরীলগী পর্মিনেন্ট ওইবা সোল্যুসন অমা পুরকপা য়ানবা হোৎনরি হায়খি।

# লৈঙাক পায়বা হায়বসি পিবা ...

*লামায় ১গী মখা...* লৈবা অমসুং ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা লৈহল্লকখিবশিং লৈবাক অসিগী পুৱারীদা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগদবনি। অদুবু ঙসিদি ইন্দিয়াদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মখোয়গী লৈঙাক লাক্লবা মতমদা শুপ্নম লৈঙাক চথদুনা মীয়ামদগী ঈ চুপ্লি হায়খি।

নীংতম্বগী মীংদা মীচম মীয়াম কয়া অৱাবা পীরি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক ওইরবসু পৱার পায়রিবা মখোয়গী মায়োক্তা ৱা ঙাওলুবা খুদিংমক কিহন্নবা তোঙান তোঙানবা এক্ট পানশিন্দুনা চৈরাক পীরি। দিমোক্রেসিগী লৈবাক অমদা পোলিটিকেল পার্টিশিং অসি অনেম অৱাং শোয়দনা লৈগনি। লৈঙাক পায়বা হায়বসি পিবা ফম নত্তে। মীপূম খুদিংমক নুংঙাইহনবা হায়বসি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী তঙাইফদবা থৌদাংনি হায়বসি কাউথোকপা চুমদে। লাই ওইখ্রবা লুচিংবশিংনা পাল্লম্বা ঈং-তপ্পা, খেন্নবা লৈতবা লৈবাক অমা ওইহনবা হায়বদু ফংহন্নবা ঐখোয় পূম্নমক্লা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা পার্টি প্রসিদেন্ট কে মেঘচন্দ্রনা কুমজা ১৯৫২গী ওগষ্ট ৯দা বোম্বেদা ফমখিবা ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী মীফমদা পার্টিগী লুচিংবশিংনা বৃটিশ লোইলমগী মায়োক্তা ইন্দিয়া থাদোকউ হায়না ৱারেপ লৌখিবা নুমিৎনি। কোংগ্রেস হায়বসি বৃটিশপু তান্থোক্লবা অচৌবা মুভমেন্ট হৌখিবা পার্টিনি। মতম অদুগী ৱারেপ অদুদা ইন্দিয়াদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা নীংতম্নবা হোৎনখিবদা লৌখিবা থৌদাংশিং ঙসিগী নুমিৎ অসিনা নৌহৌননা নীংশিংহল্লে হায়খি।

হৌজিক লৈবাক অসি নীংতম্বগী চহী ৭৫ শুরকপগী থৌরম তৌরিবা অসি মতম অদুগী কোংগ্রেসনা লৌখিবা ৱারেপ ক্বীট ইন্দিয়া মুভমেন্ট অদুগী অচৌবা খুদোল অমনি। মতম অদুগী লুচিংবশিংগী থৌনা লিংজেল অদুগীদমক চাওথোকচে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিগী মেম্বর গাইখাঙম, এম এল এ, কে রঞ্জিৎ, এক্স এম এল এশিং, পার্টিগী থৌপুবশিং, তোঙান তোঙানবা সেলগী মেম্বরশিং শরুক য়াখিবগা লোয়ননা ক্বীট ইন্দিয়া মুভমেন্টদা শরুক য়াখিবা লুচিংবশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নখি।

# পোইরৈ ঈ থিবা লূপ (পীল) না নুমিৎ হুমনি চূপ্না ...

*লামায় ১গী মখা...* হৌনা লৈনরকপগী মরীগী মতাং য়াওনা খুল অদুগী শোথরিবা হীরম কয়াগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎ অসিগী অহানবা নুমিৎতা খুল অদুদা লৈবা মেনকেটরস বট্টালিয়নগী কম্মান্দর লেফটিনেন্ট কর্নেল তাওরেম বিরজিৎনা লুচিংদুনা খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা পাওগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা পীলগী জেনরেল সেক্রেটরি নিংথেমচা মতিকমঙাল মৈতৈনা খুল অদুগী ভাইস চ্যেরমেন সী ঐচ দেভিদ, মেনকেটরস বট্টালিয়নগী কম্মান্দর লেফটিনেন্ট কর্নেল টি বিরজিৎ অমসুং খুল অদুগী এক্স চ্যেরমেন দি নামা রামুইনা থৌরম মপুশিং ওইখি। থৌরম অদুদা এক্স চ্যেরমেননা ফোঙদোকখিবদা চীংগা তমগা মচিন মনাওনি হায়বগী মরী কুপ্না থিজিন্দুনা নুংশি চান্নহনবা মথৌ তই। মকুইখুলদা কৌবা নৎত্রগা কৌবু খুলদা লৈতদুনা লৈরম্মী খুদম চাংদম কয়া লৈ হায়খি। চীংগা অমগা নুংশিনবা মরী থমদুনা মচিন মনাও ওইবগী মরী অমুক হেন্না চেৎশিন্নবা হোৎনসি হায়খি।

খুলগী ভাইস চ্যেরমেনসু চীংগা তমগা মচিন মনাওনি হায়রগা পুকচেল শেংনদবদি কান্নরোই। অফবা মরী থম্বা, অমগা অমগা মতেং পাংনবা, থাজনবা থমদুনা মচিন মনাও ওইবগী লিপুন চেৎশিন্নবা হোৎনবা মথৌ তারে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অপেন-পেন্দ, লৈতা লায়র ফোঙদোক্লরবা মতমদা নুংশিনবগী মরী হেনগৎলক্কনি। চীংদা খুন্দারিবা খুঞ্জাশিংনসু তমদা খুন্দারিবা মীতৈ ফুরুপশিংগী লেপকনি। অদুগা মখোয়গীদমক তমগী ইচিন ইনাওশিংনসু লেপ্পীয়ু হায়খি।

নীনি চনবা নুমিৎতা খুঞ্জাশিংগা পীলগী মেম্বরশিংগা মকুই চীং কাদুনা কৌব্রু ইপানা খুন্দা লৈতাদুনা লৈরম্মী হায়বা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা ঈৱাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোকখি।

নুমিৎ অদুগী নুমিদাংদা হরাও কুম্মৈগী প্রোগ্রাম অমসু শীন্দুনা পীলগী মায়কৈদগী অমদি খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী লেংয়ান ফি, খুদোপনচিংবা খুদোল তম্নদুনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শরুক ওইখি। অদুগা নাৎকী ওইবা জগোয় ঈশৈশিংসু উৎখি। নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎ অসিদা পীলগী মেম্বর ৬০ রোম্না শরুক য়াখি।

# ব্লোকেদ হন্দোকপগী য়ান্ন-চেদা খূৎয়েক পীরুবা...

*লামায় ১গী মখা...* (তরেৎশুবা এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০২২ অদুদা এ দি সীশিংদা হেন্না পৱার পীবগী য়াওরিবা ৱাফমশিং অদু হিল এরিয়াজ কম্মিটিদা রিফর তৌবা অমসুং কম্মিটিনা এসেম্বলিদা রেকমেন্দ তৌদ্রিঙৈদা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা তান্নবা হায়বা ৱাফমদা য়ানবা পুরক্তুনা অটসুমনা চথরক্লিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং হন্দোকপা অমসুং ফাজিনখিবা থৌমীশিং চার্জ অমত্তা য়াওদনা থাদোকপগা লোয়ননা এরেষ্ট ৱারেন্ট পীথিবা অমসুং অটসুমগী মথক্তা লৌখৎপা কেস চৎনহন্দবা হায়দুনা নাকল অনীনা য়ান্নবা পুরকখিবনি।

অদুম ওইনমক থা অসিগী ৭তা খূৎয়েক পীনখিবা য়ান্ন-চে অদু অটসুমগী মায়কৈদগী য়ানীংদবা উৎলকপগা লোয়ননা য়ান্ন-চে অদুদা অটসুমগী মহুৎ শিল্লদুনা খূৎয়েক পীরুবা ভাইস প্রসিদেন্ট অসিবু লূপ অসিদগী তান্থোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

অটসুমনা তাল্লিবা দিমান্দ অসিগা মরী লৈননা ঙসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা ইমর্জেন্সি মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। অদুগা হিল এরিয়াজ কম্মিটিনা রেকমেন্দ তৌখিবা মণিপুর (হিল এরিয়াজ) এ দি সী বিল, ২০২১ অদুবু হাওসনা খন্নদুনা পাস তৌরগা চৎনহনবগী মতাংদা য়ান্ন-চে অদুদা য়াওখিবা ৱারোলশিং য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

লোয়ননা য়ান্ন-চে অদুদা মরন্নাইগী ওইবা কেপাসিটিদা অটসুমগী এগজিক্যুটিভশিং অমসুং ফেদরেটিং য়ুনিটশিং তান্নরমদনা খূৎয়েক পীথোক্লুই হায়বগী চার্জদা ভাইস প্রসিদেন্ট ভানলানলিয়ান খৌতেবু ফম অসিদগী খুদক্তগী তান্থোক্লে হায়নসু লাউথোকখ্রে।

চৈরকসিদা, অটসুমনা এ দি সী বিলগী মতাংদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিগা মরী লৈননা হয়েংসু অন্সম, কে এস ও - জি ঐচ ক্যু, লূপশিং অসিগী ফেদরেটিং য়ুনিটশিং অমসুং সিনিয়র লিদরশিংগী ওইবা অতোপ্পা ইমর্জেন্সি মীটিং অমসু পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে।

চৈরকসিদা লৈরক্লিবা ফীভমদি খোঙজং চঙশিল্লকখিবা অটসুমগী মায়কৈদগী মরু ওইবা লুচিংবা মঙাবু পুলিসনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা ফাদুনা পুলিস কষ্টদি রিমান্দ ফাওবা লৌরবা মতুং জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা মতুংদা য়ান্ন-চেরোল অদুগী মতুংইন্না পুলিসকী মায়কৈদগী মখোয়গী মথক্তা মতিক চাবা ইভিদেন্সশিং ফংদ্রে হায়দুনা কোর্টতা কেস অদুগী ফাইনেল রিপোর্ট (ক্লোজর রিপোর্ট) পীখৎলকপদগী থাদোকখ্রবা ফাওবদা অটসুমগী মায়কৈদগী মখোয়না চঙশিল্লকখিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসি লৌথোক্লে নৎত্রগা হন্দোক্লে হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকপা থেংনদ্রি।

অদুম ওইনমক ঙৱাংদগী হৌরদুনা নেসনল হায়ৱে ২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বীদা ইকোনোমিক ব্লোকেদনা মরম ওইরদুনা পন্দুনা লৈরকখিবা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং হাপ্পা গাড়ীশিংদি চৎথোক চৎশিন তৌবা উন্নখি।

অদুম ওইনমক হয়েং পাঙথোক্কনি থৌরাংলিবা ইমজেন্সি মীফম অসিনা লৌবা ৱারেপকী মতুংইন্নদি ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং অসি হন্দোকপা নৎত্রগা হন্দোক্তবগী লৈখাই তারবা য়াই হায়রি।

# নিটিস কুমারগী জনতা দল-য়ুনাইটেদ এন দি এগা অমুক হন্না...

*লামায় ১গী মখা...* দি-য়ুগী লুচিংবশিং অমসুং পার্টি অসিগী এম এল এশিংনা শরুক য়াদুনা ফমখিবা মীফম অমনা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না খঙহৌদনা অহোংবা অসি লাকখিবনি।

বিহারদা জে দি-য়ুনা ষ্টেট অদুগী লৈঙাক পায়বদা এন দি এগী মপূং ওইরিবা বি জে পিগা চৎমিন্নরকখিবা অদু তোক্লে অমসুং এন দি এগা মরী লৈনদ্রে হায়দুনা লাউথোকখিবগা ঙসি পন্থদনা চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারনা বিহারগী গভর্ণর ফাগু চৌহানগা উন্নখি অমসুং মহাক্লা লুচিংলক্লিবা এন দি এগা চুংশিন্নবা লৈঙাক্কী চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌরে হায়বগী চেরোল পীশিনখি।

নিটিস কুমারনা গভর্ণরদা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী তোকপগী অইবা চে পীশিনখিবা অদুনা ঙসিগী ওইনা মহাক্লা গভর্ণর ফাগু চৌহানগা উন্নবা অরোইবা ওইখিদে। চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী তোকপগী চেরোল পীশিল্লুরবা মতুংদা মহাক্লা হৌজিক ফাওবগী ওইনা বিহার এসেম্বলিদা এম এল এ মশীং ৭৯ লৈদুনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি অমা ওইরিবা রাষ্ট্রিয় জনতা দল (আর জে দি) গী লুচিংবা টেজাস্বি যাদবকা লোয়ননা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাব্রি দেবীগী য়ুমদা চৎতুনা উন্নখি।

মহাক্লা গভর্ণরদা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনবা চৎপদসু আর জে দিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অসিগা গাড়ী অমত্তদা তোংদুনা পূন্না চৎমিন্নখিবদা নত্তনা এন দি এগা কায়নরক্লবা মতুংদা নৌনা শেম্নবা হোৎনরিবা বিহার লৈঙাক্তা মায়পুনদুনা শরুক য়ামিন্নগদবা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংসু লোয়নখি।

নিটিস কুমারনা আর জে দিগী লুচিংবা টেজাস্বি যাদবকা লোয়ননা রাব্রি দেবী উন্নরুরবা মতুংদা অমুক হন্না গভর্ণর ফাগু চৌহানগা ঙসি অনীরকশুবা ওইনা উন্নদুনা মহাকপু বিহারগী অনৌবা লৈঙাক অমমুক শেম্নবগী লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎপীনবা হায়জখি। লোয়ননা মহাক্কী জে দি-য়ুনা লুচিংগদবা অনৌবা লৈঙাক অসিদা পার্টি অসিগী এম এল এ ৪৫ য়াওনা আর জে দিগী ৭৯, কোংগ্রেসকী ১৭, সি পি আই (এম এল) গী ১২, সী পি আইগী ৪, হিন্দুস্থানি অৱাম মোর্চাগী ৪, এ আইএম আইএমগী ১ অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট ১ য়াওনা অপূনবা এম এল এ ১৬৪না মহাক্কী মায়কৈদা লৈরে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

ইখঙ খঙহৌদনা নিটিস কুমারনা এন দি এগা শেৎন-খাইনবগী ৱারেপ অসি করি মরমদগী লৌরক্লিবনো হায়না পোলিটিকেল সর্কল খরদা ফোঙদোক্লররকপগী মতুংইন্না জে দি-য়ুগী নেসনল প্রসিদেন্ট ওইরমখিবা আর সী পি সিংহবু চীফ মিনিষ্টর নিটিস কুমারগী অয়াবা য়াওদনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী কেবিনেট মিনিষ্টর ওইনা খঞ্জিনখি। মসিদগী আর সী পি সিংহগী রাজ্য সভাগী মতম লোইরক্লবসু মহাকপু অমুক হন্না জে দি-য়ুগী কেন্দিদেট ওইনা পুথোকখিদে।

নাকল অমরোমদনা, লৈবাক অসিগী মফম খরদা য়াওনা বিহারগী কাষ্ট সেন্সস, পোপ্যুলেসন কন্ট্রোল অমসুং হন্দক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এগী লৈঙাক্লা অগ্নিপথ দিফেন্স রিক্রুটমেন্ট স্কিম হৌদোকখিবগী মায়োক্তা লৌরকপা ফিরেপ ওইগনি হায়খি।

অদুগা মহারাষ্ট্রদা ইকুই কুইদনা থোকখিবা পোলিটিকেলগী অহোংবশিং অদুগুম্না বিহারদসু বি জে পিগী মায়কৈদগী নিটিস কুমারবু ইন্থুরগা জে দি-য়ুগী মায়কৈদগী অনৌবা লুচিংবা অমা খল্লগা বি জে পিগা পূন্না চৎমিন্নদুনা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবা হোৎনরক্লে হায়বগী ৱাফমসু লৈরি। মসিমক নিটিস কুমারনসু মহাক্কী পার্টিগী লুচিংবশিং অমসুং এম এল এশিংদা ফোঙদোকপসু লৈরে হায়রি।

মসিগা মরী লৈননা জে দি-য়ুগী মেম্বর চিরাক পাসৱানগী মায়কৈদগীসু নিটিস কুমারগী মথক্তা য়ানীংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

অদুম ওইনমক পূম্নমকসিগী মথক্তা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পটনাদা পাঙথোকখিবা বি জে পিগী তোঙান তোঙানবা মোর্চাশিংগী মীফমদা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা বিহারগী মথংগী এসেম্বলি ইলেক্সন অমসুং লোক সভা মীখলদা জে দি-য়ুগা বি জে পিগা অমত্তা ওইনা চৎমিন্নগনি হায়দুনা লাউথোকখিবদা নত্তনা নরেন্দ্র মোদিনা বি জে পিগী প্রাইম মিনিষ্টরিএল কেন্দিদেট ওইগনি হায়নসু লাউথোকখিবা লৈখিবনি।

অদুম ওইনমক নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদনা রিজনেল পার্টিশিং মখা তানা লৈররোই হায়বগী ৱাফমসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে হায়নরক্লি।

ঙসি নিটিস কুমারনা গভর্ণর ফাগু চৌহানগা অনীরকশুবা উন্নবদা মহাক্লা লুচিংবা অনৌবা বিহারগী লৈঙাক অমা শেম্নবা ক্লেম তৌখিবা অসিগী মতুংইন্না গভর্ণরনসু থবক পায়খৎলক্লগদি হয়েংমক মহাকপু বিহারগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরবা য়ারি।

# ওগষ্ট ১৫ ইন্দিয়াগী নীংতম্বা নুমিৎতা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোক্লে ...

*লামায় ১গী মখা...* য়াওল্লুপ অসিনা ইকোক নোন্না ইকায়খুম্নবা পীজরি হায়রি।

লোয়ননা ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তগী বৃটিশ প্রোটেক্টোরেটতগী নীংতম্বা ফংহহৌরবা মতুংদা ইন্দিয়ানা নমলৌ লৌশিনখিবদগী কংলৈপাক/মণিপুর অসি নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগীদমক চঙশিল্লকপা নীংতম লান্থেংদা থৱায়না পোন্থা পীরক্লিবা কংলৈপাক/মণিপুরগী য়াওল্লুপ পূম্নমক্কী য়াওল লান্মী পূম্নমক্কী মফমদসু সোরেপানা ইকায়খুম্নবা পীজরি হায়রি।

অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ পাঙথোক্তুনা ঐখোয় মীয়াম্না অথৌবশিংবু নীংশিংমিন্নবা অমদি মখোয়বু ইকায়খুম্নবা উৎপা হায়বসিদা লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়ানা মীয়াম মরক্তা চমন্নহনবা কয়া থোকহল্লি। কংলৈপাক/মণিপুরবু নীংতমজনবগীদমক থৱায়না পোন্থা পীদুনা কৎথোকখ্রবা অথৌবা অথৌবীশিংবু ইন্দিয়াগী নীংতম ঈহৌদা থৱায় কৎখিবা মীওইশিং ওইনা লান্না উহন্নবা ঙসিগী ইন্দিয়া লৈঙাক্লা হোৎনরি। তশেংবদি ওগষ্ট ১৩দা 'লৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী নুমিৎ' হায়দুনা পাঙথোক্লিবা অসি ইরমদম্বু নুংশিজবা, ইরমদমগী নীংতম্ববু অমুক হঞ্জিলহনবা পামজবা লমদমসিগী লুচিংবশিংনা তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলশিংদা কংলৈপাক/মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবগীদমক লান্থেংনখিবা অথৌবশিং অদুনীংশিংহন্দুনা অনৌবা নীংতম্বা খুন্নাই অমা শেমগৎচবা ঙল্লক্লবগী ৱাখল্লোন পীনবগীদমক ওগষ্ট ১৩, পেট্রিওটস দে হায়না পাঙথোক্তুনা হৌরকখিবনি। মতমদুগী লুচিংবশিংদু খরদি নোঙ্গাখিবা য়াওরে, খরদি হৌজিকসু মীয়ামগা লোয়ননা ইরমদম কঞ্জন্নবগীদমক লেপ্পা লৈতনা, চোকথবা লৈতনা মীয়াম্বু লুচিংলি। অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ হৌদোক্তুনা কংলৈ মীয়ামদা নীংতম য়াওলগী ঈথিল পীরকখিবা লুচিংবশিংগী মফমদসু সোরেপানা ইকায়খুম্নবা পীজরি হায়রি।

মখোয়গী হোৎনজমননা ঙসিগী নীংতম য়াওলগী অনৌবা ইনোৎ অসি পীবিরকখিবনি। হৌরকপা মতমদা মখোয় অদু ঙসিগী লোইলম লৈঙাক অসিনা ফাজিন পুনশিনবা অমদি ইন্দিয়াগী মায়োক্তা লৈবা লালহৌবগুম মীয়ামদা উহনখি। অদুবু লুচিংবশিং অদু হনবা নাইখিদে, হোৎনবা লেপখিদে। নীংতম্বা কংলৈপাক/মণিপুর অমগীদমক ৱাখল্লোন পীরকপা লেপখিদে। অথৌবশিংগী নুমিৎ থৌরম অসিনা লৈবাক অসিগী কাচিন কোয়া য়ৌনা পাঙথোক্লকপা অসি থিংবা ঙম্লরোই খন্দুনা থৌরম অসি 'য়োং তাং' হৈবা ময়াং লৈঙাক্লা লৌশিল্লগা লোই লৈঙাক্কী মখাদা থৌরম অসি পাঙথোকপা হৌরকখি হায়রি।

কংলৈপাক/মণিপুরগী নীংতম লান্থেং অদু ইন্দিয়াগী নীংতম লান্থেংগা নমদুনা শমজিন্নহনখি। অদুনা হৌজিকসু কুমজা ১৮৯১গী নীংতম লান্থেং অদু ইন্দিয়াগী পুৱারীগা নমশিন শমজিন্নহল্লগা তুংগী হৌরক্লিবা নহারোলশিংদা বৃটিশগী মায়োক্তা কংলৈপাক/মণিপুর নীংতমজবা ঙাক্লবগীদমক শোক্লখিবা লানফম অদু মরিং মরাংনা ইন্দিয়াগী নীংতম ঈহৌ ওইনা শমজিলহল্লক্লি। ঐখোয়না চেকশিনগদবদি মসিগী খোঙথাং অসিনি। তুংগী হৌরক্লিবা মীরোলদা ঐখোয়গী নীংতম পুৱারীবু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা ইন্দিয়াগী লাংলৌ অসি খঙমিন্নবা চঙই। অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা ইন্দিয়া অমদি কংলৈপাক/মণিপুর অনীগী মরক্তা য়েমৌনদুনা লৈরিবা লৈশেমলোননগী মূক্লবা অসি হেন্না ময়েক শেংহনবা চঙলি। ময়াং লৈবাক্লা ঐখোয়গী ইরমদম্বু মখোয়গী মখাদা লোই চনশিন্দুনা মতম চূপ্পগী ওইনা থম্নবা হোৎনরিবা অমদি ঐখোয়গী পুৱারীবু ময়াং লৈবাক ইন্দিয়াগী পুৱারী ওইনা উহন্নবা হোৎনরিবা অসিগী মায়োক্তা লেপফম থোকই। ঐখোয়গী নীংতম্বা পুৱারী মশক খঙনা অথৌবশিংগী নীংশিং নুমিৎ চুম্না পাঙথোকসি হায়রি।

কুমজা ১৮৯১দগী বৃটিশ প্রোটেক্টোরেট মখাদা লৈরম্বা কংলৈপাক/মণিপুর অসি কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৪দা মপূং ফানা নীংতমজদুনা চহী ২ নীংতম্না পাঞ্জদুনা লৈঙাকচরম্বা ইরৈবাক অসি কুমজা ১৯৪৭গী সেপ্টেম্বর ২১দা মমিংতগী ওইনা লৈরবা নিংথৌ বোধচন্দ্রবু শিলোংদা ময়াং লান্মীশিংনা কোয়শিন্দুনা থল্লগা নমদুনা খূৎয়েক লৌরগা ওক্টোবর ১৫দা ইন্দিয়াদা পুনশিল্লে হায়না নমলাও লাউথোক্তুনা লোইশিনখিবনি হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না হৌজিক লোইনা খনরবা ৱাফমনি। হিন্দু লৈবাক ইন্দিয়ানা ইরমদম অসি মখোয়গী লান্মীগী অকনবা পাঙ্গল অদু উৎতুনা কিহল্লগা নমলৌ লৌশিনখিবা অসি মালেমগী অপূনবা শঙলূপ য়ুনাইটেদ নেসঙ্গকী চৎন-কাঙলোন থুগাইবনি। মীওইবা খুন্নাইগী মথক্তা চথবা অকনবা লৈবাক্লা অশোনবা অপীকপা লৈবাকশিংগী নীংতম্বা লৈশেমলোনবু ইন্দিয়ানা ফোঙনা শীংনদুনা কংলৈপাক/মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী লোইলম লৈঙাক্কী ফিবান্নুংদা পুনশিনখিবনি। লৈবাক অমনা লৈবাক অমগী নীংতম্ববু শীংনবনি। মীওইবা খুন্নাইগী অমদি অপীকপা ফুরুপশিংগী মায়োক্তা অতম্নবা চথবা, লোই শন্দোক্তুনা লোই লৈঙাক চথবা/শৌগৎপগী অফোংবা খুদমনি। মালেমগী অপূনবা লূপ য়ু এনবু ফোংনা শীংনবনি। ইন্দিয়ানা কংলৈপাক/মণিপুর য়াওনা ৱেসিয়াগী নীংতম্বা লৈবাকশিংবু লোই চনশিন্দুনা লৈঙাক্লিবা অসি কোলোনিএলিজম, ইম্পরিএলিজম অমদি ক্রাইম এগেনষ্ট হ্যুমেনিটি ফোংনা চথবনি। মরম অদুনা লোইলম শন্দোকপা ইন্দিয়াগী নীংতম নুমিৎ ওগষ্ট ১৫, ২০২২গী থৌরম পূম্নমক কংলৈপাক/মণিপুর য়াওনা ৱেসিয়াগী মীয়াম পূম্নমক্লা য়াওফম থোক্তে। ইন্দিয়াগী ফিরাল য়ুমথোঙ খুদিংদা থেৎলু-চিংখৎলু হায়বা হর ঘর তিরঙ্গ হায়রিবসি কংলৈপাক/মণিপুর মীয়ামগী নীংতম্ববু ফোংনা শীংনবনি। কংলৈপাক/মণিপুরগী মীয়াম খক্তা নত্তনা নীংতম্বা লৈবাকশিংগী ফংফম থোকপা/ঙাকফম থোকপা হকশিংবু শৌগৎলিবা মালেমগী নীংতম্বা লৈবাকশিংগী অপূন লূপ য়ু এননা অমদি মসিদা য়াওরিবা লৈবাকশিংনা কংলৈপাক/মণিপুর য়াওনা ৱেসিয়াগী লমদমশিংদা ইন্দিয়ানা মখোয়গী লান্মীশিংনা ঙাক্তুনা পাঙথোরক্লিবা অমদি হন্দকসু নমদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ওগষ্ট ১৫-ইন্দিপেন্দেন্স দে অসি পাঙথোকহন্দনবা অথিংবা থন্বীফম থোকই। নোংচুপ থংবা খা নোংপোক এসিয়া (ৱেসিয়া) দা ইন্দিয়ানা চথরক্লিবা লোইলম লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা য়ু এননা খুদক্তা খূৎ থিংজিন্দুনা অথিংবা পীবীবা মতম থেংমল্লবনি। খা নোংপোক এসিয়া অমদি খা এসিয়াদা তংদু লৈতাবা চাওখৎপা অমদি ঈং তপ্পা লৈঙাক অমা পুরক্লে হায়রবদি কংলৈপাক/মণিপুর য়াওনা ৱেসিয়া লমদমগী চহী লিশীং কয়া নীংতমজদুনা লাকখ্রবা হৌজিক্লা ইন্দিয়ানা লোই চনশিন্দুনা থল্লিবা লৈবাকশিং অসিগী নীংতম ঈহৌ অসি য়ুনাইটেদ নেসঙ্গনা মশক খঙবগা লোয়ননা য়ু এনগী ফিরেপ এন্টি-কোলোনিএলিজম অমদি এন্টি - ইম্পরিএলিজমগী মায়োক্তা লৈরিবা মালেম লৈশেমলোনগী পাদম মনুংদা পুশিন্দুনা ৱাখৈবা পুরক্লবা হোৎনফম থোকই। কংলৈপাক/মণিপুর য়াওনা ৱেসিয়া লমদমদা চথরিবা ইন্দিয়ন কোলোনিএলিজম, ইম্পরিএলিজম অমদি হিন্দু ফেসিজমগী মায়োক্তা য়ু এননা মতম চানা খোঙথাং লৌখৎপীফম থোকই। লোয়ননা কাশ্মীর, খলিষ্টান, সিক্কিমনচিংবা লৈবাকশিংবু ইন্দিয়ানা লোই চনশিল্লিবা অসিগী মায়োক্তা নীংতম ঈহৌ হৌরিবা য়াওল্লুপশিংবু সোরেপানা শৌগৎলি হায়রি।

ওগষ্ট ১৫ - ইন্দিয়াগী নীংতম নুমিৎকী থৌরম অসি মীয়ামদা কিহল্লগা, লান্মীনা কৃক-কৃক ইন্ননা লাঙ্গৈই চনশিন্দুনা ঙাক্লগা পাঙথোক্লবা হোৎনরিবা অসিদা কংলৈ/মণিপুর মীয়াম্না য়াওফম থোক্তে। ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তা নীংতম লৈঙাক্তা হঞ্জিল্লম্বা ইরৈবাক্কী নীংতম্ববু ইন্দিয়া লৈঙাক্লা নমদুনা নোংমৈ চিংদোলদা মুনখিবনি। ঐখোয়গী নীংতম্বা অদু অমুক হঞ্জিনজনবগীদমক ঐখোয়না হনবা লৈতনা লান্থেংনরি। ইকায়বা খঙদবা মরৈবাক য়োল্লগা মশাগী নুংঙাইনবা হোৎনবা ইন্দিয়াগী হুইরোই খরনা থৌবু ওইদুনা শিল্লক্লিবা ওগষ্ট ১৫, ২০২২গী থৌরম অসি ঐখোয় মীয়াম হুপ্পা অমত্তা ওইনা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা অথিংবা থমসি। থৌরম অসি মায় পাকহনগুমসি। ইরৈবাক নীংতম্ন বগীদমক থৱায়না পোন্থা পীরন্নবা অথৌবশিং অদুগী খুদুং ইনসি। নীংতম্বা কংলৈপাক/মণিপুরগীদমক ঐখোয় অমত্তা ওইনা পূন্না লেপমিন্নসি। ইন্দিয়াগী শরৌ লাংদা ঐখোয় কৈদৌঙৈদসু থুহনগুমসি হায়রি।

লোয়ননা ওগষ্ট ১৫, ২০২২গী অয়ূক পুং ৪দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা সোরেপানা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোক্লে অমদি নুমিৎ অসিদা কংলৈপাক/মণিপুর য়াওনা ৱেসিয়া লমদম অসিগী ইচিন ইনাও ওইরিবা য়াওল্লুপ খুদিংমক্লা লাউথোরকপা জেনরেল ষ্ট্রাইক, বোইকোট, টোটেল শটদাউনচিংবা পূম্নমক সোরেপানা শৌগৎচরি। অথিংবা অসিদা অনা-অয়েক, ঈশিং-মাইশিং, মৈহৌ লাংপোক্কা মরী লৈনবা থৌরমশিংদদি কোমথোকচগনি হায়রি।

# ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈগী মফম ২দা...

*লামায় ১গী মখা...* লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম (অলফা-আই) অমসুং নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালেন্দ (এন এস সী এন-কে) গী কাদরশিং ওইরম্বা য়াই চিংনবা অন্দরগ্রাউন্দ এক্টিভিষ্টশিংনা খঙহৌদনা এটেক চথরকখ্রে হায়রি। থৌদোক অসি ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৩দগীনা ৪ ফাওবগী মনুংদা থোকখিবনি হায়রি।

অরুনাচলগী এটেক অদুদা এন এস সী এন (কে) অমসুং অলফা - আইগী লান্মী ৮০ রোম্না রোকেট লোঞ্চর অমসুং লেথোদ বোম য়াওনা ওটোমেটিক এসোল্ট রাইফলশিং শীজিন্নদুনা অকনবা মওংদা অসাম রাইফলসকী খূৎপু অদুদা এটেক চথখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুদা নাকল অনীগী মরক্তা অশোক অপন য়াওবগী পাউ ঙসি নুমিদাং ফাওবদা ওফিসল ওইনা ফংবা ঙমখিদ্রবসু চাংলাং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী এম্ব্যুলেন্স অনীনা অশি অনা অমসুং অশোক অপনশিং হোন্দোক হোঞ্জিন তৌবা খুঞ্জাশিংনা উনখি হায়রি। থৌদোক অদুদা অলফা- আইগী কাদর অমা পুক্তা নোংমৈ মরূনা খেৎপদগী শোকখি হায়রি।

পংসাউ এরিয়াদা লালহৌবশিংনা এটেক চথরকপগী পাউ হেক ফংবগা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মফম অদু তম্না চঙশিনখি। অদুবু ঙমখৈগী শরুক ওইবগী খুদোংচাবা লৌরগা লালহৌবশিং অদু ম্যান্মারগী ঙমখৈ শরুক্তা লৈবা উমংশিদা চঙশিনখি। নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুদা অসাম রাইফলসকী জুনিয়র কম্মিসন ওফিসর অমা মখুত্তা শোকখি হায়না মিলিটরিগী ৱঙাঙলোয় লেফটনেন্ট কর্নেল এ এস ৱালিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিপেন্দেন্স দে অসি অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা বেজ তৌবা লালহৌবশিংনা মতম কয়াগী মমাংদগী বোইকোট তৌদুনা অমদি অর্মদ ফোর্সশিংদা এটেক চথবগী থৌওংশিং চথদুনা লাক্লি। আর্মিগী মায়কৈদগীসু থৌওং অসি কন্ট্রোল তৌনবা কন্না হোৎনদুনা লাক্লি হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশকী পংসাউ পাস হায়রগসু খঙনবা মফম অসিদা থোকখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা চাংলাং দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট মিহিন গাম্বোনা থৌদোক অদু ঙসি অয়ূক থোক্লে হায়বা রিপোর্ট অসি চুম্লে অমসুং থৌদোক অদুদা অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপশিং চৈন্নে হায়বসু খঙলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

থৌদোক থোকখ্রিবা মফম অসি অরুনাচল প্রদেশকী কেপিটেল সিটিদগী ম্যান্মারগা ঙমখৈ তাইনবা খ্বাইদগী মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফম অমনি হায়রি।

অদুম ওইনমক ঙসিগী মফম অনীদা থোকখিবা এটেকশিং অসিগী মতাংদা নাকল অনীমক্তা ওফিসল ওইনা অশি-অনা য়াওবগী পাউ ফংবা ঙমখিদ্রি।

# ওগষ্ট ১৫গী অয়ূক পুং ১দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা...

*লামায় ১গী মখা...* মসিনা ঐখোয় ননশিন্দুনা লৈরিবনি। ঐখোয় মীকুপ অমা হরাওনা হিংবা নুংঙাইবা হায়বদু চাউনা লাল্লিবসিনি। মসিগী হৌরকফম ঐখোয় ইশানা ইশাদা হংবা য়াবা মতৌ করম্না ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর য়ৌরকখি, কনানসু হীরম অসিদা থৌশানরুদে হায়রি।

করিগীদমক মণিপুরগী লৈমায়দা ওগষ্ট ১৫ খুদিং ইন্দিয়াগী নীংতম্বা নুমিৎ পাঙথোক্লিবনো হায়বা ৱাফম হংলদুনা ইন্দিয়াগী নীংতম্বা নুমিৎ ওগষ্ট ১৫ অমসুং মণিপুর হায়বসিদা ইচম চম্না লৌফম লৈতে হায়রি। মণিপুরবু ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৪৯দগী লৈঙাক্লবা মতুং মণিপুর খুন্নাইনা ঙসি ফাওবা করম্বা মীকুপ্তা ঐখোয়গী মীয়ামগী পুন্সি মহিংদা মতৌ করম্না শিংনরি, পরেং লেংলবা থৌদোক্তনা খুদমনি হায়রি।

মায়কৈ কয়াগী চয়েৎনবা কয়ানা খুন্নাই অসিগী খ্বাংদা পুনশিন্দুনা য়েক্লবা মশক উত্তবা থৌশিলদা ঐখোয়গী য়েক্লবা ওইহল্লি। ঐখোয়গী মীয়াম মীৎ পাংনা পাংনা মীৎমাংদা ইন্দিয়াগী তৌবা ঙম্বা অদু তৌদুনা লৈরি। মসিদগী ঐখোয়না তৌগদবা অসি নোংম-নোংমগী লুবা অসুম হেনজিল্লক্লি। ফীভম অসি অরাইবা নত্তে হায়না ঙসি খম থেংনা লুশিনখ্রে। তমথীরবা ৱাথোক কয়াগী মখা পোনখ্রে। মরা তাথরক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা লৈহাও লেপ্তুনা হাপ্লি। ঐখোয় খুদোংথীরবনি হায়রি।

দ্রগ অমদি ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং, শেঞ্জা থুমজা, কাঙলূপ মশুং খাইবগী, নুপীশিংদা চথবা ৱাথোক, লৈখা তারক্লবা নাৎ, মীতোপকী থৌশিল অমদি হীরম খুদিংদা মনিং হল্লবা চাওখৎ খোঙথাং পূম্নমক অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুরদা পীবা খুদোলনি হায়না ঐখোয় লৌখিসিরা, খাঙদুনা লৈখিসিরা ঐখোয় মুৎপা ঙাইদুনা হায়রি।


ADMISSION OPEN (2022-23)

in top ranking Universities & Institutions in INDIA/ABROAD

| Courses | Courses |
| --- | --- |
| B.Sc. Agriculture<br>B.Sc. Forestry<br>B.Sc. Horticulture<br>B.Tech (Food Tech.) | MBBS (India & Abroad)<br>Clinical Psychology<br>BPA (Performing Art) |
| **Courses**<br>B.Tech. (All streams)<br>BAMS (Ayurvedic)<br>BHMS (Homeopathic)<br>BNYS (Yogic Science)<br>(NEET not required) | **Courses**<br>Nursing<br>D.Pharm, B.Pharm, M.Pharm, Pharm D<br>BBA (ACCA/CMA Certification),<br>BBALLB, Hospitality, MBA |

SPECIAL SCHOLARSHIP SCHEME

FOR MERITORIOUS STUDENTS

For details please contact @

ACCENT CAREER SOLUTION

Konjeng Hajari Leikai, Tiddim Road, Imphal West
above Khaddim's Show Room opp. Sangai Express
Phone : 8837454543

HL-P/1373/13 to 10 alt.


## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৫.৮২°C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.৯৮°C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২.৩২
নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৫.৪৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৩

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| --- | --- |
| Euro | 81.408249 |
| US Dollar | 79.547671 |
| British Pound | 96.367447 |
| Australian Dollar | 55.557567 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.780929 |
| Japanese Yen | 0.589991 |
| Malaysian Ringgit | 17.855189 |
| Singapore Dollar | 57.723808 |
| South Korean Won | 0.060957 |
| Saudi Arabian Riyal | 21.212712 |
| Thai Baht | 2.247072 |

## GAS NEWS

**M/S BASHIKHONG INDANE**
**BOOKING UPTO - 6/07/22**
VALID FROM1/07/22
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 /9856398141
OFFICE TIMING 9AM TO 3pm
WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

**M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG**
Only Home Dellivery
**Booking Upto 31/05/22**
Valid from24/05/2022
**Stock 306 nos.**
Office contact nos. numbers 8132036940/ 8414824977/
Call Time 8am to 12 noon
Sunday closed

**KHORIPHABA NAMBOL BK.UPTO DATE**
Timing 6.30am to 10 am
Cont.no 8787632782, 6009194940

**IMPHAL LPG SERVICE**
(Home Delivery only)
Booking- Upto date .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.

**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
TIMING-9:00 AM TO 01:00 PM
**BOOKING: UPTO DATE, 20 days gap from last delivery**
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL - 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502
FOR ALL SINGJAMEI AREA 7628077876
7085198900 (ENQUIRY)
7628077876 (COMPLAINT)

**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-28-07-2022,**
VALID FROM 22-07-2022,
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACTNOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

**M/S K&K INDANE SERVICE,**
Home delivery only
**BOOKING UPTO DATE**
20 days gap from last delivery
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE & MAYAI LAMBI-9362663937/9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 9862239855 / 8258856407 *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837